# নুংশিবী ইমা কংলৈপাকপু কলহৌসি ইরৈচাশিং

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**



মতম-মতমগী মতুংইন্না নুংশিরবী ইমা কংলৈপাকসি অৱা-অনা কয়া থেংনদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবদা। মতম কয়াদি শাংলে কংলৈ ইমানা মীনাইগুম মশাগী নীংতম্বা মাঙদুনা হিংলকপা মপালগী অকনবা শাফুনা নমথনা থল্লকপনা। করিগুম্বা মপালগী ওইবা খূৎশেমগী থৌইনশিন্না মরম ওইদুনা তমদা অমদি চীংদা লৈমিন্নরিবা মচিন-মনাও ওইনা লৈমিন্নরকপা মচাশিং অসিনা অমগা অমগা নুংশিনরক্তবদগী, য়েংথীনরকপদগী কংলৈ ইমাবু মচেৎ-মচেৎ শেৎতুনা থুগাইগে হোৎনবদা কংলৈ ইমানা কয়াদা ৱানা হিংজখিবা। অদুবু ঙসিদি খ্বাইদগী শাথীখ্রবা মশকসু উবা ঙমদবা কোভিদ-১৯ কৌবা লাইচৎ অসিনা লান্দারক্লেদো। মসিদগী ইরমদম খুন্নাই অসিবু কলহৌবা, কংলৈ ইমাবু কলহৌবা হায়বসি মচা ওইবা ঐখোয়গী ইথৌ নত্তবরানে।

কংলৈ ইমাবু, খুন্নাই অসিবু লাইচৎ অসিদগী কলহৌনবা হোৎনবা অসিদগী হেন্না চাউবা অমা অমুক লৈত্রে হায়না লৌবা য়াই হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি। জুনগী তাং ২ ফাওবগী ওইনা চয়োল অমখকসিগী মনুংদা ইরমদম কংলৈপাক্তা লাইচৎ অসিনা নাবগী মশীং ৮১ য়ৌখ্রে অদুগা এক্টিভ ওইনা লৈরিবনা ৭১ অদুৱাইদা লৈরি হায়না পাউদা থেংনখি। মসি হৌজিক্তা হৌরকপদা ঙাইহিরি হায়বা য়াই ইরমদমদদি। লাইচৎ অসিনা খংশন শন্দোরকপগী মরমদি ময়াম্না হেন্নদুম খঙবীরে হায়না থমজগে। হৌজিক ঐখোয়না অমুক্কা খঙজিনবীগদবদি হায়রিবা মশীং অসিদগী য়াম্না হেনগৎলকপা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ হায়বসিনি। য়াম্না হেনগৎলকখিগনি হায়না খল্লগা লৈঙাক্লা খোঙথাং লৌখৎফম থোকই। অদুগা মীচম মীয়াম ঐখোয়নসু য়াম্না চেকশিন্না খোঙথাং খুদিং থাংফম থোকই। অদু নৎত্রবদি ঐখোয়গী অসুক পিকখ্রবা খুন্নাই অসি য়াম্না অৱাফমদা তাগনি। অৱাফমদা তাবা হায়বদু হৌজিক হা-হা লাউনা ৱানরিবা অসিনি লাইচৎ অসিগী লোকদাউন তৌবদা।

মতাংসিদা ইন্দিয়াগী লোকদাউন তৌবনি হায়না তৌরিসিবু থোইদোক্লা ৱাহন্থোক লৈত্রবগুম উরক্লি। লোকদাউন হায়রিবা মনুংসিদনি ইন্দিয়া পূম্বদা চৎথোক-চৎশিন তৌবসি ষ্টেট অমদগী ষ্টেট অমদা। লাইচৎ অসি চৎথোক-চৎশিন তৌদুনা মীওই অমদগী মীওই অমদা শন্দোকই খঙনা-খঙনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীয়াম্বু ষ্টেট অমদগী ষ্টেট অমদা চৎথোক-চৎশিন তৌহনবসি খ্বাইদগী অচৌবা অরানবা অমনি। হান্না মশা-মউ শেংনা-শেংনা লৈরম্বা ময়ামদুসু মাগী-মাগী ষ্টেটশিংদা পুশিল্লীবনি হায়না মথোং-মরম খঙদনা পংয়ান য়ানশিন্নদুনা ত্রেন মনুংদা, বস মনুংদা অমদি মতোম চৎচবা গাড়ী কয়াদা পুথোক-পুশিন তৌবদগী লাইচৎ অসিনা নাহল্লে। অদুগা অতোপ্পা লাইচৎ অসিবু শন্দোকপদা য়াম্না মতেং পাংলিবসি হোস্পিটালশিং অসিনি। য়েংবীয়ু ইরমদমগী মপালদা হোস্পিটাল কয়াদা লায়েংবা চৎলুবা ইরৈচা কয়া লাইচৎ অসিনা নাদুনা হল্লক্লি। মসিগী অচৌবা মরমদি হোস্পিটালশিং অসিদা থবক তৌরিবা নর্স অমদি ডোক্তরশিং অদু লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা প্রোটেক্টিব গ্রিসিং মতিক চানা শীজিন্নবা ফংদে। লাইচৎ অসিনা নারবা মীওই অমদা শীজিন্নবা প্রোটেক্টিভ গ্রিসিং অদু শীজিন্নদুনা নাদবা মীওইশিংদা অমুক শীজিন্নরবদি লাইচৎ অসি অদুম পক্লকপা তাবনি। মরম অসিননি লায়েংবা চৎলুবা ইরৈচা কয়া লাইচৎ অসিনা নাদুনা হল্লক্লিবা।

হায়দি হায়নীংদে। পূম্নমক অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হৌজিক শেল থাদরিবা অসুম্না লাইচৎ অসিনা নৌনা শন্দোরকপা হৌরকপা অদুৱাইদা মীচম মীয়ামদা শেল য়াম্না থাদদুনা মখোয় মখোয়না চঙগদবা পোৎলমশিং অদু চাং নাইনা, কোন্ননা, মতম চানা-চানা, নিংথিনা য়েন্থোক্লল্লবদি করিগী ষ্টেট অমদগী ষ্টেট অমদা অসুক য়াম্বা মীয়ামসি চৎথোক চৎশিন তৌগদৌরিবনো। চৎথোক-চৎশিন তৌহনবা অসিনা হৌজিক্তি লাইচৎ অসিনা আ য়ৌনা শন্দোক্তুনা মীওই ১৯৮,৭০৬ লাইচৎ অসিনা নাহল্লে অদুগা মীওই লিশীং ৫,৬০৮না মপুন্সি লোমখ্রে। মসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লোকদাউন পোলিসি শোয়বননি। অদুগা পীরিবা মশীংশিং অসিসু থাজনীংঙাই ওইদে, য়াম্না হেল্লমগনি অশেংবদি।

অদুগা অমরোমদা ইরমদমগী ইরৈচাশিংবু অমদি অৱাং নোংপোক্কী মীওইবু ম্যেনলেন্দ ইন্দিয়া মচাশিংনা করেম্নবা, উশিত্তনা কোরোনানচিংবা কৌবীবা, মখোয়-মখোয়গী য়ূমদা লৈরনু চৎলো হায়রকপা, ক্বা চারগা ক্বা মহি শিংচিল্লকপনচিংবা তৌহল্লিবা অসিসু থোক্লমদবা য়াবনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মীয়ামদা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিং অদু পীবিরম্লবদি। মদুসু তৌবীখিদে। য়ূম্বুশিং অদুনা তাম্থোরকপদি অয়াম্বনা মখোয়না য়ূমদা লৈবগী শেনফম মতম চানা পীরক্তবা, মখোয়দগী য়ূমগী রেন্ট ফী লৌরুনু হায়বনচিংবা হায়রকপদগী তাম্থোকপা হৌরকইবা নৎত্রো। শেল ফংলোইদবা লৈরদি করিগী মখোয়বু (ঐখোয়রোমগী মীওইশিংদো) থমগদৌরিবনো অরেম্বদা। কনানসু থম্নিংলোই। মদু তৌদনবা ষ্টেট, ষ্টেটতুগী লৈঙাক্কী খূত্থাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়ূম্বুশিং অদুদা য়ূমগী রেন্টতু পীরম্লবদি য়ূম্বু অমত্তনা ঐখোয়গী মীওইশিং অদুবু তাম্থোরক্লোই। হান্না তাম্থোকপা য়াওফখদে অকক্লবা থৌদোক খরদা অমদি মীওই খরা নত্তনা। অদুগা ঐখোয়গী শক উবদা থীনা তৌরক্লিবা অদুসু তৌরকলম্লোই ঐখোয়গী ইরৈচাশিং অমদি অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিং অদুনা মপাল থোক্তবীদা চানবা পোৎলমশিং অদু লৈঙাক্তগী মতম চানা ফংদুনা য়ূম-য়ূমদগী হেন্দোক্তনা লৈরম্লবদি। অদুবু পোৎলমশিং অদু ফংহনখিদবনা মখোয়সু হিংনবা হায়দুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈবা থোক্তবা য়াদদুনা থোক্লুবনি। লোকদাউন তৌরবদি লৈঙাক্লা পীফম থোকপনি। পীদ্রগনা মীয়ামদা পোৎলমশিং অদু লৈজনবগী শেলগী মতেং পীবিদুনা লৈজবগী তাঞ্জা পীবিগদবনি। মদুসু তৌবিখিদে।

অদুবু হৌখ্রবা হীরমদুদা তেংথারুবগী করি কান্নবদি লৈরি। হৌজিক-হৌজিক ঐখোয়না তৌবা য়াবা হায়ববু কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না পীরিবা গাইদলাইনশিং অসি ইন্দুনা চৎপা, লৈঙাক্লা থল্লকপা চৎন-কাঙলোনশিং ইন্দুনা চৎপা, মপান থোক্তা য়াদবা লৈরগনা মাস্ক উপ্পা, মপালদা থোক্তা য়াদদুনা থোকপা নৎত্রগা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা থৌদাং লৌবা য়াওবীরগনা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবীবা। মাস্ক উপ্পগী হেক মথংদা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবসি ঐখোয় ইরমদদি য়াম্না ৱাৎলি। মসি য়াম্না খুদোংথীনীংঙাইনি। মাস্ক উপ্পা খক্তনা, সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বা খক্তনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি খনবদি য়াম্না লানগনি। হাকথি খনবদা, লোক খুবদা কামথোরকপা মহীশিং অদু ঐখোয়গী মায়-মীৎ অমদি চিন্দা শোক্তুনা শন্দোরকপগুম লাইচৎ অসিনা নারবা মীওইশিং অসিনা শোক্লম্বা পোৎলমশিং অদু শোক্লুরগা ঐখোয়না খূৎশা শেংনা হামদোকত্রবদি লাইচৎ অসি চঙলক্কদৌরিবনি। মরম অসিননি হেন্দ সেনিটাইজর মীপূম খুদিংমক্লা পুদুনা খূৎ-শা তোয়না-তোয়না শেংদোকপা মথৌ তারিবা। টাইৱান্দদি মহৈরোয়শিংসু, ওজাশিংসু, ওফিসতা থবক তৌবশিংসু লোয়না হেন্দ সেনিটাইজর মচা অমমম পুদুনা চৎনৈ। ঐহাক ইশামকসু পুদুনা চৎলি। ঐখোয়না পুবা কাউরফাওবদা রেষ্টুরেন্টশিং, মহৈশঙশিং, ওফিসশিং অমদি অতৈ মফমশিংগী চঙফমদা হেন্দ সেনিটাইজর লিক্যুদশিং অসি থম্মী। হেন্দ সেনিটাইজর য়াম্না মরু ওইবনি।

লোকদাউন, কর্ফিয়ু অমুক্তা থমদবা টাইৱান্দা করিগীনো লাইচৎ অসিনা নাহনবা অমদি শিহনবগী মশীং অসুক্কী মতিক নেম্লিবা। সিঙ্গাপোর, হোং কোং, জপান অমদি কোরিয়াদগী মশীং অসুক্কী মতিক তানা টাইৱান্না লাইচৎ অসি শন্দোকই। টাইৱান্দা ঙসি ফাওবদা টেষ্ট তৌখিবগী মশীংসি মীওই ৭২,৫০৭ শুরে। মসিগী মনুংদা লাইচৎ অসিনা নাহনবনা মীওই ৪৪৩নি অদুগা ফরকপনা মীওই ৪২৭ শুরে অদুগা লৈখিদবনা মীওই ৭ খক্তনি। হৌজিক মীওই ৯ খক্তা ঙাইরে ফগৎলকপা ঙাইরিবা। পূম্নমক অসিগী মরু ওইবা মরমদি টাইৱানগী মীওইশিং অসি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না পীবা, টাইৱান লৈঙাক্লা পীবা অমদি কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ইন্দুনা লোইনা চৎনবা অসিনি। মসিগী মথক্তা টাইৱানগী মীওইশিং অসি য়াম্না মশা খিং-খিং লাউনা লৈ, শাজেল চাং নাইনা তৌই অহলসু অঙাংশিংসু। অদুগা শেল-থুমগী ফীভম ফবনা চাবা-থকপসু অফবা, বেলেন্স ওইবা চিঞ্জাক চানৈ। শাজেল নিংথিনা তৌবা, অফবা অচম্বা চিঞ্জাকশিং চাবা অসিনা হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টম য়াম্না ৱাংনা থম্বা ঙম্মী। শাজেল নিংথিনা তৌরবনিনা তূম্বসু মতম চানা তুম্নরে। শাজেল নিংথিনা তৌবা, অফবা চিঞ্জাক চাবা, মরাং কায়না তূম্বা অসিনা মখোয়গী ইম্ম্যুন সিষ্টমসি য়াম্না ৱাংনা থম্বনা মীওই ৭২,৫০৭গী মনুংদা মীওই ৪৪৩ খক পোজিটিভ ওইরিবনি। মদুগী মনুংদা মীওই ৭ খক্তনি শিখিবসু।

লোইশিল্লকপদা, ইরমদম খুন্নাই অসিবু লাইচৎ অসিদগী কলহৌনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী অচৌবা ইথৌনি হায়না খন্দুনা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি ইন্দুনা চৎসি, লৈঙাক্লা হোৎনবা অসিদা ঐখোয় খুদিংমক্লা মতেং পাংনবা হোৎনসি থুগাইগে খনবগী মহুত্তা। ফীভমসিদা পোলিটিক্স শান্নবগী ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু। লোয়ননা শাজেল চাং নাইনা তৌদুনা, ঙমজবা অফবা, অচম্বা চিঞ্জাক চাদুনা, নিংথিনা ঙল্লপ্না তূমদুনা হকচাংগী ইম্ম্যুন ৱাংনা থম্নবা হোৎনসি কংলৈ ইমাবু অমদি ইরমদম খুন্নাইবু কন্নবা। নীংবু নীংলবদি ঙমদবা লৈতে হায়বা কাউফদে। য়াইফমিন্নরসি। ●


## ষ্টেটকী পাউ

# মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং লেপ্তুনা য়েংশিল্লি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) গী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিনা লুচিংবা ওফিসল টিম্না দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংলিবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং য়েংশিনখ্রে।

কম্মিসনগী ওফিসলশিং অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমদি এস পি য়াওখিবা ঙসিগী টিম অমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুল, তেন্থাদা লৈবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর অমসুং ৱাংজিংদা লৈবা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিং য়েংশিনখ্রে।

টিম অসিনা সেন্টরশিং অসিদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) পীবা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা চৎলিব্রা হায়বগী মতাংদা ইনক্বারি তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথখি।

পনবা য়াবদি, দব্লিয়ু ঐচ ওগী গাইদলাইনশিংদা সেন্টরশিং অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী নোদল ওফিসর, মেদিকেল নোদল ওফিসর, দোক্টর অমসুং সিক্যুরিটি ষ্টাফশিং, সেন্টরদা লৈবা কা মশীং, ঈশিং, টোইলেট অমদি বাথরুমগী ফেসিলিটিশিং, সেন্টরগী হেল্থ ৱার্করশিং অমদি ষ্টাফশিংদা সেফটি ইক্বিপমেন্টশিং ফহনবগী মতাং, সেন্টরগী ইনমেটশিংগী মশীং, মখোয়শিং অদু করম-করম্বা জেনশিংদগী লাকপনো হায়বা য়াওনা অঙাংশিং, মশা লূম্লবা নুপী, ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ পর্সন, দ্রগ য়ুজরশিং অমদি মেদিকেল কন্দিশনশিংগা লোয়ননা মীওইশিংগী মতাংদা য়াওরিবশিং অদুগী মতাংদা হকথেংননা য়েংশিনখি হায়রি।

# হায় কোর্টকী ওর্দর মতুংইন্না লম লৌবীয়ু

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : নেসনল হায়ৱে ন্যু এলাইনমেন্ট এফেক্টেদ লেন্দ ওনরস কম্মিটি, ৱাংজিং কৈথেলগী সেক্রেটরি এন জি চলাম্বনা থোরকখিবা চেরোল অমদা নেসনল হায়ৱে-১০২ গীদমক লম লৌশিনবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা চৎলিবা কুমজা অসিগী ফেব্রুৱারী ২১ দা থোকখিবা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না লৌশিনবীনবা মরী লৈনবশিংগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নেসনল হায়ৱে অসিগী লম লৌশিনবদা দাইরেক্ট পর্চেজ পামদবা পাট্টাদারশিংগী লম, লেন্দ এক্যুইজিসন এক্ট, ২০১৩গী প্রোভিজন মখা পোন্না লৌশিনগদবনি হায়না হায় কোর্টকী ওর্দর অদুনা ফোঙদোকখিবনি। ওর্দর অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা য়ৌহনখ্রে অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারদসু মার্চ ৬তা পীশিনখ্রে হায়রি। ৱাংজিংগী ওইনা লেন্দ এক্যুইজিসন এক্ট অসিগী প্রোভিজনশিংগী মখা পোন্না লম লৌহন্নিংবা পিটিসনরশিংগী মিংশিংসু এনক্লোজ তৌখ্রে হায়রি। মরম অসিনা হৌজিক দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওর্দর মতুংইন্না লমগী শেল লৌখ্রবশিংগী য়ুম-কৈ লৌথোকহল্লিবা অসিগী মতাংদা পিটিসনরশিংগীসু নোটিফিকেসন থোকপীদুনা লম লৌশিনবীয়ু। তৌবতবু হায় কোর্টনা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না লেন্দ এক্যুইজিসন এক্টকী প্রোভিজনশিংগী মখাদা পীরিবা ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং অদু লম লৌশিন্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা ফংহনবীয়ু হায়রি। অরোইবদা চেরোল অসিনা লৈঙাক্কী দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামদা অয়েৎপা অমসুং অথিংবা পীবা লৈতে। অদুম ওইনমক য়ুম-কৈ লৈররোইদবা পিটিসনরশিং পাট্টাদারশিং অসিবু এক্ট অসিগী মনুং চন্না য়াওবা রিহেবিলিটেসন, রিসেট্টলমেন্ট অমদি ফ্যের প্রাইসনচিংবা অসি হান্না ফংহন্নবা শীনবীয়ু হায়নসু লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।



AVAILABLE AVAILABLE

KACHAI LEMON

SEEDLINGS, GRAFTED & CUTTING PLANTS

AVAILABLE AT AGRITECH MANIPUR

URIPOK TOURANGBAM LEIKAI, IMPHAL

NEAR FLY OVER BRIDGE

PLEASE CONTACT -

8730910453/7005621255

HL-P/6776/3,4



/CONDOLENCE

হৌখিবা জুন ২, ২০২০গী অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস, ইম্ফাল ইষ্ট পোরোম্পাৎকী দি এ ও অমদি ষ্টাফশিংনা ওফিস অসিদা এস দি এস এম এস/ঈ ও কৈরাও ওইনা থৌ পুবিরম্বী শ্রীমতি সী ঐচ প্রোমিলা দেবীনা হৌখিবা মে ২৪, ২০২০দা লৈখিদবদা ওফিস অসিগী ষ্টাফশিংনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবীগী থৱায়না শান্তি ওইনা লৈরুনবগীদমক ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজখিবগা লোয়ননা লৈহৌরিবা ষ্টাফশিংনা অৱাবা/নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

HL-P/6783/4 Sd/- District Agricultural Officer, Imphal East



/NOTICE

The online District Conference of District 322D, (Lions Clubs International was held from 30 to 31st May, 2020.

"On the concluding day of the online District Conference i.e. 31st of May, 2020 elections for the Posts of District Governor, Vice-District Governor-I and Vice District Governor-II were held. In the online election our candidate for the post of Vice-District Governor II, Lion (Prof.) Gopimohan W. Singh has won in 3-Cornered Contest. The successful candidate is a member of Lions Clubs of Imphal. He was also given a joyous reception on 01/06/2020 afternoon, at the Lions Service Centre, Sangaiprou, Airport Road, Imphal".

Yours in Lionism - Lion L. Sharatkumar Singh
Secretary, Lions Club of Imphal

HL-P/6781/4



GOVERNMENT OF MANIPUR
MANIPUR ORGANIC MISSION AGENCY
DEPARTMENT OF HORTICULTURE AND SOIL CONSERVATION
SANJENTHONG, IMPHAL

No. MOMA-I/46/Value Chain Processing/2018 (Pt)

Email: manipurorganic@gmail.com, registermoma@gmail.com Date: 03-06-2020

EXPRESSION OF INTEREST (EOI)

Manipur Organic Mission Agency (MOMA) under the Department of Horticulture and Soil Conservation and Department of Agriculture, Manipur invites Expression of Interest (EOI)/proposals from potential Farmer Producer Company (FPC)/Entrepreneurs with basic background and experiences in the field of food processing, cold chain, pack house etc., for organic produces/products under MOVCDNER, Ministry of Agriculture and Farmers Welfare, Government of India.

The details of the components are as follows:

| Sl. No. | Components | No. of units |
|---|---|---|
| 1. | **Integrated Processing Unit** (Applicable to FPC/FIG only under MOVCDNER & Entrepreneur) | 6 |
| 2. | **Integrated Pack House** (Applicable to FPC/FIG only under MOVCDNER & Entrepreneur) | 2 |
| 3. | **Refrigerated Transport Vehicle** (Applicable to FPC/FIG only under MOVCDNER & Entrepreneur) | 2 |
| 4. | **Precooling/Cold storage/Ripening Chamber** (Applicable to FPC/FIG only under MOVCDNER & Entrepreneur) | 2 |

Subsidy assistance to FPC/FIG and private entrepreneurs will be restricted to 75% and 50% of TFO respectively as credit linked subsidy following the guidelines of the Ministry.

Prescribed application formats for the proposals/EOIs and cost norms for the components can be obtained from the office of MOMA, Sanjenthong and www.momamanipur.com w.e.f. 10-06-2020 to 16-06-2020. The proposal/format duly complete in all respects as specified by the EOI requirement should reach the office of Member Secretary (MOMA), Department of Horticulture and Soil Conservation, Sanjenthong, Manipur-795001 by 22nd June, 2020 with application processing fee of Rs.1000/- only.

MOMA reserves the right to accept or reject any EOI at any stage without assigning any reasons thereof.

Sd/- N. Joymati Devi
Member Secretary (MOMA)/Director
Department of Horticulture
& Soil Conservation, Manipur

HL-B/6194/4,5



/DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet and Certificate of Class XII Examination bearing Roll No. 4517 of 1997 issued by COHSEM on the way between Heirok and Imphal on 29th May 2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Laishram Shila Devi
Heirok Part-II

HL-P/7018/4



/ পাউচেগী থোঙদা ওজা ABDUL HAK পু থাগৎচরি

ঐহাক পাইলসকী অনাবনা খোঙ হাম্বদা মরক-মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা অমদি শোকপদা নাবা, অমাংথোঙদা হাকৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, অমাংথোঙ মপান্দা চাথৎলগা থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না শাবা, পুক খোংবা, খ্বাং নাবা অমসুং থবাক ফুনবা অসিনচিংবা অনাবশিং অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8794429681 অমসুং 8014623756কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী পাইলস মপূং ফানা ফজরে, হকচাং নুংঙাইজরে। মরম অদুনা ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফম :-
Wangoi SBI Awang near Oil Pump (6 am to 5pm)

HL-P/6782/4 থাগৎচরিবা : Ch. Surchandra, Kakching Khunou



/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি


Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - Naorem Ibomcha Meitei
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-P/6708/05-05to4/06



ONLINE CLASSES

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

➤ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO

➤ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-P/7003/16,18